বোম পোকখায়বদা ...

লামায় ১গী মখা... ২০২০গী নবেম্বর ১৭তসু লৈখিদ্রবা মচিন মনাও অনীগী য়ুমগা নক্লবা মফমদা জে সী বিনা লৈবাক তেমথোকপদা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওগী ওইগনি থাজবা বোম ১২২ ফংবদগী পুলিসনা লৌখৎখিবা লৈখিবনি। মতম অদুদা থেংনখিবা বোমশিং অদুদগী চিথহৌবা খরা অমুক লৈরম্বদগী ঙসিগী লাইবক থীবা থৌদোক অসি থোকখিবনি। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৈখিদ্রবা মচিন মনাও অনীগী ইমুংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

থৌদোক থোকফমদা মোরে পুলিসকী টিম অমা লাক্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

জেনরেল ষ্ট্রাইক

লামায় ১গী মখা... জে এ সী অসিগী অপূনবা মীফম অমা কংলাতোংবীদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা হায়রিবা তোঙান তোঙানবা খুল ৭ অসিগী লেন্দ ওনরশিংনা শরুক য়াখি। লোয়ননা পাঙথোকখ্রিবা মীফম অদুনা এন ঐচ-২ এক্সপান্সনগা মরী লৈনবা ইস্যুশিংগী মতাংদা খন্নখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা খুল ৭ অসিগী লম মপুশিংনা এন ঐচ-২ এক্সপান্সনগী থবক্তা তপথবা অমসুং কম্পেন্সেসনগী শেনফম নেম্না পীববু য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা জে এ সীগী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী মেছিন্নরিশিংনা পাঙথোরকপা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংদুনা লাক্কিবনি। অদুবু হায়রিবা নেসনল হায়ৱে পাকথোকহনবগী থবক অসিদি অদুমক তপথদুনা লৈরে হায়বগা লোয়ননা খুনতরেৎ অসিগী লম মপুশিংনা এন ঐচ-২ এক্সপান্সনগী থবক থৌরমশিংদা মথৎ থাগী ৩দগী কো-ওপরেসন পীদবা হায়না ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা নুমিৎ অদুদগী পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌরগনি হায়রি।

ইরাবতকী মপোক...

লামায় ১গী মখা... নুপীলালদা লৌখিবা থৌদাংশিং নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। মঙোন্দা অশেংবা মরৈবাক নীংবগী ৱাখল চেনবদা নত্তনা মহাক্না লিটরেচর, স্পোর্টস, জর্নেলিজম অমসুং আর্ট এন্দ কলচরগী লম্দা পায়খৎলম্বা থবকশিংগীদমক্তসু মহাকপু নীংশিংনরিবনি। শকলোন য়াম্বা লময়ানবা ইরাবতনা খুন্নাই অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা অমসুং মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিংগীদমক কৎথোল্লমখি হায়রি।

অমরোমদা, ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনসু লময়ানবা অসিগী মপোক কুমওন নুমিৎকী মাঙওইননা য়াইফ পাউজেল পীরকপগা লোয়ননা মহাক মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা মণিপুর মীয়ামগীদমক থবক তৌরমখিবা অশেংবা লুচিংবা অমনি। মহাক্কী মপোক কুমওন নুমিৎ লাকপা অসিনা ঐখোয়না মহাক্কুম্বা ঐখোয়গী অচৌবা লুচিংবা অমা নীংশিংবগা লোয়ননা মহাক্না ঈং-তপ্পা অমসুং অমত্তা ওইবা মণিপুর অমা পুরক্কবা হোৎনরম্বা ৱাখল্লোনশিং অদুবু তুংইনগদবনি হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.469957
US Dollar	74.195669
British Pound	100.029999
Australian Dollar	53.672565
Chinese Yuan Renminbi	11.475400
Japanese Yen	0.665765
Malaysian Ringgit	17.728877
Singapore Dollar	54.652762
South Korean Won	0.062588
Saudi Arabian Riyal	19.785512
Thai Baht	2.189767

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	45730.00
Mumbai	–	Rs	46100.00
Delhi	–	Rs	46004.00
Kolkata	–	Rs	46465.00

GAS NEWS

M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto 09/08/2021
Valid from 04/08/21
Stock 306 nos.
Home Dellivery & Booking
Contact numbers -132036940/ 8414824977/8413936705
Call timing 8 am to 12 noon
Sunday closed
KHORIPHABA NAMBOL
Bk upto 24-09-21
Valid from 20-09-21
Home delivery no: 9366471778, 8974087390, 8787632782
M/s K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Booking uptodate
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 11/09/2021
BOOKING UPTO: 13/09/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
TDK GAS
BK. UPTO 05/08/21.
VF.04/08/21.
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS.
6909614353/8731992324.
TIMING 9:00 AM. TO 3:00 PM.

হীরম খরদা নুপীশিংবু নৈহৎপীরি : সেসন্স জজ ইম্ফাল ৱেষ্ট

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): হৌজিক নুপী ওইবীশিংবু সোসিএল্লি, ইকোনোমিকেল্লি নৎত্রগা সেক্স্যুএল্লি ওইবা লম্দা নৈহৎপীরি হায়রদুনা অসিগুম্বা নুপীশিংগী ষ্টেটস অসিদগী নাম্থোরক্ল বগীদমক অমসুং মীপূম তিংনা খঙহন্নবা মরু ওইনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী নুপীশিংদা হীরম অসিগী মতাংদা খঙহন্নবগীদমক ঙসিগী প্রোগ্রাম অসি মখোয়দা লৌশিং পীদুনা ৱাখল তাহন্নবগীদমক পাঙথোকপনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ), তমেংলোংগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্ট অরিবম গুনেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি দি এল এস এ অসিনা ওনলাইনগী খূথাংদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী পেরা লিগেল ভোলন্টিয়রশিং অমসুং নুপীশিংগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন/নন-গভর্ণমেন্টেল ওর্গনাইজেসনশিংদা এৱেয়র্নেস পীনবগীদমক পাঙথোকখিবা লিগেল এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমদা শরুক য়াখিবশিংবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা প্রোগ্রাম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলশিং ফোঙদোক্লদুনা হায়খিবনি।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অদু 'কর্বিং এক্সপ্লোইটেসন (সোসিএল্লি, ইকোনমিকেল্লি নৎত্রগা সেক্স্যুএল্লি) ওফ ভলনরেবল ৱিমেন এন্দ এক্সপ্লোইটেসন এজ এ প্রিকর্সর টু ক্রাইমস এন্দ ক্রিমিনেল এক্টিভিটিজ' হায়বা টোপিকসিগী মখাদা পাঙথোকখিবনি।

প্রোগ্রাম অসিদা দি এল এস এ, তমেংলোংগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱাই সোমোরজিৎনা প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াবগা লোয়ননা খুন্নাই অসিগী নুপীশিংনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিংবু শন্দোক্লা তাকখি।

প্রোগ্রাম অসিদা জুদিসল ওফিসরশিং, পেরা লিগেল ভোলন্টিয়রশিং অমসুং নুপীশিংগী সী এস ওশিংনা শরুক য়াখি।

প্রোগ্রাম অসিদা এদভোকেট এল পিঙ্কিনা রিসোর্স পর্সন ওইরদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা লো অমসুং পোলিসিশিংদা লৈরিবা নুপী অমসুং নুপাশিংগী জেন্দর ইক্বেলিটি ত্রিটমেন্ট অমসুং ইমুংশিংগী রিসোর্স অমসুং থবক থৌরমশিংগা মরী লৈনবা ইক্বেল এসেস য়াওনা খুন্নাই অসিগী ফুরুপশিংগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। নুপী অমসুং নুপা ওইবশিংগী মরক্তা লৌগদবা থৌদাংশিং অমদি মখোয়দা ফংহনগদবা খুদোংচাবশিংগী মতাংদা অচুম্বা অমসুং অশেংবা ৱায়েল ফংহন্নবগী মতাংদসু রিসোর্স পর্সননা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা মীপূম খুদিংমক্না মরোমদোম লেপচবা ঙমহনবগা লোয়ননা খুন্নাই অসিনা অমসুং ফুরুপ অসিনা মখোয়বু তুহৎ-নৈহৎপীরব্রা হায়বদু খঙদোকপগা লোয়ননা মসিদা জেন্দর ইক্বেলিটিগী থবক মপাঙ্গল কনখৎহনবগী মতাংদসু পনখি।

প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবশিংবু দি এল এস এ, তমেংলোংগী সেক্রেটরি ৱাই সোমোরজিৎনা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা শরুক য়াখিবশিংবু থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোক্লগা ঙসিগী প্রোগ্রাম অদু লোইশিনখি।

মহৈরোয় লূপশিংগী মীং শীজিন্নদুনা শেল লৌরম্বা ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং মীং চনবীগনি হায়দুনা মহৈরোয় লূপশিংগী মীং শীজিন্নদুনা শেল খোমগৎলম্বা গেঙ খূৎপুগী লুচিংবা অমা ফারে হায়না এমসুগী ঐচ আর দি সেক্রেটরি মনি নিংথৌজানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা লৈবা এমসু ময়ায় লোয়শঙদা পাউমীশিংগা উনবা থৌরমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, লৈঙাক্কী মমিং লৈরবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা মীং চনবীগনি হায়দুনা মহৈরোয় ৩০ হেনবদগী শেল খোমগৎলম্লগা মীং চনবীদবগী ৱাথোক থোরকখিবনি। মসিগী মতাংদা থিজিল্লুবদা মহৈরোয় লূপশিংগী তোঙান তোঙানবা মমিংশিং শীজিন্নদুনা অসিগুম্বা থৌওং চথবা গেঙ খূৎপু অমা লৈরে হায়বসি খঙলকখিবনি হায়রি।

এমসুগী মায়কৈদগী থিজিল্লুবদা খূৎপু অসিগী লুচিংবনা শঙাইপ্রৌ মমাঙ লৈকায়দগী মাইবম মিনাতি মপুরোয়বা এম সুরজ ওইরমখিবনি। মহাক্না তোঙান তোঙানবা ষ্ট্রিমদা মহৈরোয়শিংবু মীং চনবীগনি হায়দুনা মখোয়গী মমা মপাদগী তোঙান তোঙানবা শেনফম কয়া খোমগৎলম্বনি। অদুগীসু মথক্তা শেনফমশিং অসি খোমগৎলবা মতুংদা মীং চনবীরমদবদগী মীয়ামদগী লোৎখিগদৌরে হায়বা পাউ ফংদুনা এমসুগী মায়কৈদগী থিজিনবগী থবক চথখিবনি।

মরম অসিনা অসিগুম্বা নমথাক তৌরগা শেল লৌবা থৌওং অসিদা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা ওইবশিংনা থাজবীগনু। চম্লবা মহৈরোয়শিংগী মমা মপাশিংদগী শেল লৌনবা হোৎনরম্বা থবকশিং অসিদগী চেকশিনবীয়ু হায়খি।

য়াম্না নুংঙাইতবা অমনা এমসুগী মীং য়াওনা মীওইশিং অসিনা মহৈরোয় লূপশিং অসিগী মমিংশিং শীজিন্নদুনা নমথাক তৌরম্বনি। অদুম ওইনমক মখোয়না মহৈরোয়শিং অদুবু মীং চলহনবদি ঙমখিদবনি।

মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক অমসুং এদ্যুকেসন লোয়শঙগী মরী লৈনবা ওফিসলশিংনসু রুল অমগী মখাদা মীং চলহল্লু। অসুম্না তৌরবদি অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্লম্লোই হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মীওই ১৪৪ ফগৎলক্লগা অনৌবা পোজিটিভ কেস ২১০ থেংনখি, ২ লৈখিদে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিলগী কোভিদ-১৯ কন্ত্রোল রুমগী রিপোর্ট মতুংইন্না হোম আইসোলেসনদা লৈরকখিবা মীওই ৪৩, রিমসতগী ৩, জেনিমসতগী ১০, কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী ৮০ অমসুং কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিংদগী মীওই ৮ য়াওনা পুম্না মীওই ১৪৪ ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রবসু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস ২১০ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই অমমম কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে হায়রি।

ঙসিগী ওইনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিং অদুগী মনুংদা ৪না সী এ পি এফকী পর্সনেলশিংনি অদুগা মীওই ২০৬না জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ওইবদা নত্তনা মীওইশিং অসিগী মনুংদা নুপা ১০৫ অমসুং নুপী ১০১নি হায়রি। ঙসিগী ওইনা পোজিটিভ ওইখ্রবশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট ৪৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১০৫, থৌবাল ২, বিষ্ণুপুর ৭, ককচীং ৬, উখ্রুল ১৪, চুড়াচান্দপুর ১৩, চান্দেল ৩, সেনাপতি ২, তমেংলোং ২, কামজোং ২ অমসুং নোনেদগী মীওই ১নি হায়রি। অমরোমদা ঙসি লৈখিদবা মীওই অনীদুগী মনুংদা অমনা কোভিদ ভেক্সিন অহানবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইনি অদুগা অতোপ্পা অমনা কোভিদ ভেক্সিনগী সেকেন্দ দোজ কাপথোক্লবা মীওইনি হায়রি।

ঙসি লৈখিদবা মীওই অনী অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৮৫৪ শুরে হায়রি।

মীচমনি থাদোকপীয়ু...

লামায় ১গী মখা... পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা মৈতৈ লৈকায় লাই মনাই মৈরা পায়বীগী মেম্বর চন্দ্রকলানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায় অথুৱান অবোনমাই হাৎলিবা মীহাৎপশিং মণিপুর লৈঙাক্না অহকপা চৈরাক পীগদবনি। মহাক লৈখিদবা অসি থম্মোয় শোকপা থৌদোকনি। অদুবু বোস্কো হায়রিবা মীশক অসিদি ইচম চমজবা অমসুং মরাল লৈতবা মীওইনি হায়বসি ঐখোয়না খঙই। লাঙ্গোল লাই মনাই মৈতৈ লৈকায়গা তরুং খুলগা য়াম্না নকুনা লৈবনি। মরম অদুনা মহাক ফারে অমসুং মঙোন্দগী মোবাইল ফোননচিংবা ফংলে হায়রিবা ৱাফমশিং অসি পাউচেশিংদা ফোঙনরকপদগী খঙলকপনি হায়খি।

মোবাইল ফোন হায়বসিদি হৌজিক্কী মতমদা মহৈরোয়শিংগী ওনলাইন ক্লাস তৌবদা শীজিন্নরিবা মতম ওইবনিনা লোইনমক পায়নবা ঙাক্তনি। অদুগা অরানবা লম্বীদা চৎখ্রবশিংবু ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি লৈবাক অসিগী ষ্টেট মণিপুর লৈঙাক্না অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবীরক্লবগীদমক্তদি থোঙ লাওনা হাংদুনা থল্লিবনি হায়বগা লোয়ননা অথুৱান অবোনমাইগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়দুনা ফাজিল্লিবা মীওই অনীগী মনুংদা বোস্কো হায়রিবা মীওই অসিদি মরাল লৈজদবা মীচমনি হায়বগা লোয়ননা মহাকপু অথুবা মতমদা থাদোকপীয়ু হায়খি।

অমরোমদা, পুলিসনা ফাজিল্লিবা লানচাপৌ বোস্কো গোনমৈ (লাঙ্গোল লাই মনাই) মীচমনি। মহাক ফাবগী মহুত্তা থৌদোক অসিদা চেন্নবা অশেংবা মীহাৎপশিংদু ফাবিয়ু হায়না ঙসি লাঙ্গোল লাই মনাইদা মৈরা পায়বীশিংনা ৱাকৎ মীফম অমসু পাঙথোকখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোরকপদা থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাজিল্লিবা বোস্কো হায়রিবা মীওই অসি কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা মণিপুর লৈঙাক্না অথুবা মতমদা থাদোক্কদবনি। মহাক অথুৱান অবোনমাই হাৎপদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংগী মনুংদা য়াওবা মীশক নত্তে। মহাকপু ময়ুমদগী ফাদুনা পুখিবা অদুসু লাঙ্গোল লাই মনাইগী মীয়াম্না উনহৌই। মরম অসিনা মরাল লৈজদবা মীচমবু অপংবা শীগনু হায়রি।

অমরোমদা অথুৱান অবোনমাইগী থৌদোক্তা চেন্নবশিং লোগী মতুংইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়না ঙসি কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় কম্যুনিতি হোলদসু ৱাকৎ মীফম পাঙথেকাখি।

মীফম অদু অমকিল, নুপী সমাজ, তম্মী-চীংমী, ইচল, থৌবাল ইমা, অনুল, নিমপাল, নোংপোক লৈঙাক, য়ু পি এফ, নিপকো, কাদা, মপি কাউন্সিল, এমসু অমসুং এম্পফানা খূৎশম্নদুনা জে এ সী অগেনষ্ট দি ব্রুটেল মর্দর ওফ অথুৱান অবোনমাইগা পুন্না শীনমিন্নবনি।

কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী অমকিলগী প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম ঙানবীনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদুগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল পুরক্কিবা ফাওবদি সেন্ত্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্কদৌরিব্রা হায়বা ৱাহংসু হংলদুনা থৌদোক অদু এন এস সী এন (আই-এম) গা পাৱর পায়রিবশিংগগী মরক্তা লৌতুনদুনা থোকহনখিবা থৌদোক অমরা হায়নসু হংখি। লমদম অসিগী ফুরুপশিংবু অমত্তা ওইনা পূনশিননবা হোৎনরম্বা মীওই অমবু হাৎতোকখিবা অসিগী মায়োক্তা মণিপুরগী মমা ওইবীশিংনা তুমিন্না লৈরোই হায়রি।

মীহাৎপশিং অদুনা মমা ওইবীশিংবুসু হাৎলকপা য়াই অদুবু ষ্টেট অসিগী মমা ওইবীশিংদি ফুরুপ খুদিংমক্কী লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা, চাওখৎপা অমসুং অমত্তা ওইবা ষ্টেট অমা ওইহল্লক্নবগীদমক্তা হোৎনবা মীওইশিং কন্নবগীদমক শিননবা থৌরাং তৌদুনা লৈ। লৈঙাক্না থৌদোক অদু তমেংলোংদা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মমাঙমক্তদগী থোকখ্রবসু ইম্ফাল এরিয়াদগী চিংনবা খরা ফারগা নাথৈদুনা পুনবা হোৎনবা য়ারোই হায়খি।

লোয়ননা লৈবাক অসিগী লান্মীশিংনা অমসুং ষ্টেটকী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এন এস সী এন (আই-এম) গী কেম্পশিং মশক খঙলগসু মখোয়গী মায়োক্তা কোম্বিং ওপরেসন চথবা করিগী ঙমদ্রিবনো হায়বা ৱাহংসু পাউমীশিংগা খূথাংদা হংখি।

'মোৎশিল্লবা মিংশেল' না বেষ্ট ফিল্মগী মনা ফংলক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী দিরেক্টরেট ওফ ফিল্ম ফেষ্টিবেলগী মখাদা লদাখ য়ুনিয়ন টেরিটরিনা শীনবা হিমালয়ন ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০২১দা রোমি মীতৈগী ফিল্ম 'দি টেন্টেদ মিরর' (মোৎশিল্লবা মিংশেল) না বেষ্ট ফিল্মগী মনা ফংলক্লে অমদি ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়াখিবা 'সম্নবা' ফিল্মগী টুসার নোংথোম্বমনা বেষ্ট সিনেমাটোগ্রাফিগী মনা ফংলক্লে হায়রি। ফেষ্টিবেল অসি থা অসিগী ২৪দা য়ুনিয়ন ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা সিনধু সংস্কৃট কেন্দ্র, লে (লদাখ) দা হৌদোকখিবনি। হিমালয়ন চীংশাং পরেং অসিগী মমিং লৈরবা ফিল্ম কয়া অমসু উৎপদা নত্তনা চীংশাং অসিদা খুন্দারিবা ফ্রিদম ফাইটর কয়াগী পুন্সি ৱারীশিংসু নৈনদুনা উৎখি। মসিদা রানি গাইদিনল্যু, লময়ানবা হিজম ইরাবত অমসুং হায়পৌ জাদোনাংগী পুন্সি ৱারীসু মীয়ামদা উৎখি হায়রি।

এস বি আই য়াইরিপোক ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): ঙসি চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই) য়াইরিপোক ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, শেল থুম লৈহনবা হায়বসি রিজন অসিগী চাওখৎনবগীদমক তঙাইফদবা অমনি হায়রদুনা এস বি আইনা ওন্ত্রপ্রেন্যুর, লন্নাই মীওই অমসুং সেল্ফ হেল্প গ্রুপনচিংবা মীশিং কয়াদা সোফ্ট লোনশিং পীবগীদমক তৌবীমল খঙবা উৎখি। লোয়ননা অথুবা মতমদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা অতোপ্পা লন্নাই মীওই/বেনিফিসরি লিশীং ৫দসু লোনগী শেনফমশিং পীরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কুম্বীদা হেল্থ কার্দশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): বি জে পি কুম্বী মন্দলনা 'সেবা ঔর সমরপন অভিয়ান' গী শরুক অমা ওইনা পি এম জে এ ৱাইগী হেল্থ কার্দশিং য়েন্থোকপগা লোয়ননা কুম্বী এ সীগী তোরবুং জি পিদগী বি জে পিদা শৌগৎলকপা মীওইশিং ওকপগী থৌরম অমসু তোরবুং মমাঙ লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা হেল্থ কার্দ ২১২ য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা বি জে পি কুম্বী মন্দলগী প্রসিদেন্ট সেরাম অঙৌম্বা, বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ লক্ষ্মন, ৱাঙু বোরায়াংবী জেদ পিগী মেম্বর এম ব্রোজেন, ৱাঙু তেরাখোং জি পিগী প্রধান পি বালেশ্বর, তোরবুং জি পিগী উপ প্রধান অমদি জি পি অসিগী বি জে পি লেভেল কম্মিটিগী থৌপুবশিংনা শরুক য়াখি।

তামৈদা কেন্দল লাইট রেল্লি ...

লামায় ১গী মখা... রোম তারকপদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তামৈ সব দিভিজনগী মনুং চনবা তামৈ টাউনদা মফম অদুগী নুপী অঙাং য়াওনা মীয়াম্না শরুক য়াদুনা কেন্দল লাইট প্রোটেষ্ট রেল্লি অমা চৎখ্রে।

ঙসি নুমিদাংগী প্রোটেষ্ট খোঙচৎ অদু লিয়াংমাই সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (এল সী এস ও) না শীনবনি। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা পুম্নমক্না মখূৎতা রি ৱান্ট জষ্টিস, নো জষ্টিস নো পিছ, জষ্টিস ফোর অথুৱান অবোনমাই, পনিস দি মর্দরস, কিল্লিং ইজ নোট দি সোল্যুসন অমসুং লাইফ ইজ প্রেসিয়স হায়না ইংলিস ময়েক্তা ইবা প্লে কার্দশিং পায়খি।

লোয়ননা প্রোটেষ্ট খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না শরুক য়াখিবা মীয়াম অদুনা মখোয় মখোয়না পায়খিবা বেনরশিংদা থাখিবা ৱারোলশিং অদুবু অমত্তা ওইবা খোল্লাউদা পুন্নসু লাউমিন্নখি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অদুগী মতাংদা তমেংলোং পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অমগা মরী লৈননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্যান্দোনা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনী ফাগৎলবা মতুংদা পুলিস ষ্টেসন অসিদা খূৎশিন্নখিবনি। লোয়ননা পি এস অসিনসু মখোয়বু ঙরাং চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, তমেংলোংগী চার্জ পুরিবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱাই সোমোরজিৎকী কোর্টতা ঙরাং নুমিৎ ১৫নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখ্রবনি।

অদুম ওইনমক পুলিসনা থৌদোক অসিদা চেন্নবনি হায়বগী চার্জ তৌরদুনা ফারগা কোর্টতা পুথোরকখিবা মীওই অনীসিগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা পুলিসকী রিমান্দ প্রেয়র অদুবু ওবজেক্সন তৌরকপদগী কোর্টনা মখোয় অনীবু ঙরাংদগী হৌরদুনা নুমিৎ ৯নিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি। লোয়ননা পুলিসকী মায়কৈদগীসু হৌজিক মখোয় অনীবু থৌদোক অদুগা মরী লৈননা অকনবা ৱাহং পাউহংবগী থবকশিং চত্থরক্লিবনি।

অমরোমদা, জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিল (জেমে, লিয়াংমৈ, রোংমৈ অমসুং ইনপুই) না শীন্দুনা ঙসি তমেংলোংদা পিছ রেল্লি অমসু চৎখ্রে। নুপী অঙাং য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখিবা রেল্লি অদু হায়পৌ জাদোনাং মেমোরিএল পার্কতগী হৌরক্লগা তমেংলোং হেদ ক্বার্টরগী এপোলো কৈথেল ফাওবা চৎখি। রেল্লি অদু পাঙথোরকপদগী মফম অদুদা লৈবা দুকান পুম্নমক থোঙ লোনখিবগা লোয়ননা রেল্লি অদুগী মনুংদা মখল অমত্তগী গাড়ীশিং লম্বী অদুদা চৎখিদে।

ঙসিগী রেল্লি অদু অথুৱান অবোনমাইগী কেসকা মরী লৈননা চত্থরক্লিবা ইনভেষ্টিগসেনগী মায়োক্তা চৎপা নত্তে। মীহাৎ অদুগী মতাংদা চত্থরক্লিবা ইনভেষ্টিগেসনগী শরুক্তা মরাল লৈজদবা মীচমশিংদা অৱাবা তাহনগনু হায়দুনা চত্থখিবনি হায়রি।

ৱাফম অসি জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিলগী কনভিনর রামকুং পামৈনা ফোঙদোকখিবনি।

রেল্লি অদুনা মরম ওইরদুনা মফম অদুদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিদ্রবসু খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়ামনা হৌনরুবা তৌদনা হায়পৌ জাদোনাং মেমোরিএল পার্কতা পূনশিল্লবা মতুংদা বেনর অমা পায়দুনা রেল্লি অদু হৌরকখিবনি। মফম অদুদা পূনখিবা মীয়াম্না জেলিয়াংরোং বৌদিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং এদভাইজর অথুৱান অবোনমাই লৈখিদবা থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা অচুম্বা ৱায়েল পুরক্কবা হোৎনরকপা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংগনি হায়খি।

অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোকহনবীগনু হায়বগা লোয়ননা ঈং-তপ্পদা কায়হনগদবা থবক থৌরম অমত্তা চত্থরোইদবনি হায়খি। থৌদোক অসিনা মরম ওইরদুনা নাগা মীয়ামগী মরক্তা নুংশিনহন্দবা থোকহন্নবগী খুদোংচাবা লৌবা মীওইশিং লৈরে হায়বগা লোয়ননা রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্স ময়াম থমজিনবদগী লৈহল্লক্লিবা টেন্সন অসি কোকহনবীনবা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি।

শক্লাইরবী এক্ট্রেস সোমা আর পি আই মণিপুরগী য়ুথ গর্লস ৱিংগী প্রসিদেন্ট...

লামায় ১গী মখা... শানখিবা ৱারীদা মহাক্না ফোঙদোরকখিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদু আর পি আই (এ), মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা 'মৈপা' দা পোলিটিকেল পার্টি অসিগী য়ুথস গর্লস ৱিং শেম্নগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা য়ুথ ইন্টরেক্সন প্রোগ্রামদা শরুক য়ারবা মতুংদা ফোঙদোরকখিবনি।

থৌরম অদুদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী এম এস এম ঈগী থবক্তগী পোত্থারবা এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর লাইতোঞ্জম হরিদাস (প্রসিদেন্ট - কৈশামথোং এ সী, আর পি আই) না অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা আর পি আই মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইবদা নত্তনা পার্টি অসিগী নোর্থ ইষ্টকী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা কৈশামথোং এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিদা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা মহেশ থৌনাওজমনা ময়ায় তাংবল লৌখিবগা লোয়ননা নৌনা ষ্টেটকী পোলিটিক্সতা খোঙদারক্লবী সোমা লাইশ্রম, শক্লাইরবা এক্টর আর কে কাইকু অমসুং আর পি আই ৱিমেন্স ৱিং, কৈশামথোংগী ৱাঙাঙলোই সেলিনা তখেল্লম্বমনা মথংশিংনা ইকায়খুম্নরবা মীথুং অমসুং অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি অয়ুক পুং ১০দগী হৌখিবা প্রোগ্রাম অদু কৈশামথোং এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায়দা লৈবা পার্টি অসিগী য়ুথ গর্লস ৱিং, আর পি আই (অথৱালে) না শীনবনি।

থৌরম অসিগী ময়ায় তাংবল লৌখিবা মহেশ থৌনাওজমনা ফোঙদোকখিবদা ঙসিগী ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা য়াওশিন্দবা য়াদবা মতম অমা ওইরক্লে। রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়ানা য়ুথস (নহারোলশিংগী) সেক্সন অমা থন্বীদুনা মখোয়গীদমক প্লেটফোর্ম অমা শেম্বীরে। আর পি আইগী ওইনা কৈশামথোং য়ুথ গর্লস (নুপীমচাশিংগী) ওইবা প্লেটফোর্ম অমসু লৈরে অমদি পার্টি অসিগী নুপীশিংগী মরক্তগী য়ুথ গর্লস ৱিং অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা শক্লাইরবী এক্ট্রেস সোমা লাইশ্রমবুসু প্রসিদেন্টগী ফম পুননবা এপোইন্টমেন্ট পীবিরক্লে। হৌজিক কৈশামথোং এ সীগী ওইনা লৈরক্লিবা য়ুথ গর্লসকী ওইবা প্লেটফোর্ম অসিগী কনভিনর য়াওনা য়ুথ গর্লস ১০৫২না মেম্বর ওইরে। হায়রিবা পার্টি অসিগী য়ুথ গর্লসকী ৱিং অসিদা মখা তানা অনৌবা মেম্বরশিংসু য়াওশিল্লক্কদৌরি হায়খি।

লোয়ননা য়ুথ গর্লসশিংগী ৱিং অসিনা পোলিটিকেল পার্টি অসিদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌরক্কদৌরি। তুংগী চাওখৎ লমজেলদা য়াওবা ঙম্নবা মীহুৎ পুথোকপা হায়বসি নহা ওইরিবশিংগীদি অচৌবা থৌদাংনি। খুন্নাইগী অওনবা পুরকপদা নহারোলশিংগী ৱাখল্লোন ফোঙদোক্তুনা ভোট পীবা তঙাইফদে। তুংগী অমদি খুন্নাইসিগী ওইবা থবক থৌরম কয়াদা নহারোলশিংগী থৌদাং অসি য়াম্না মরু ওইবা মরম্না য়ুথ গর্লসশিংগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ খনবদগী হায়রিবা য়ুথ গর্লসশিংগী প্লেটফোর্ম অসি শেমজবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এ) গী নুপীশিংগী মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিদনা লমদম অসিগী শক্লাইরবী ফিল্মগী এক্ট্রেস হৈস্নাম ইন্দু (কৈশামথোং এলাংবম লৈকায় লৈরক মচা) না প্রসিদেন্ট ওইরে হায়বা ৱাফমসু ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিদা লাউথোকখি।

স্পিকর ১দি বি জে পিনা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি মাংথোক্লে ...

লামায় ১গী মখা... শেংনা তাকই হায়রোইদবগী মরম লৈতে। লোয়ননা পার্লিয়মেন্টরি সিষ্টম ওফ দেমোক্রেসিগী ফজবা মচৎশিংবু মশক থীহনবগা লোয়ননা লৈপাক অসিগী লোবু স্পিকর অমসুং বি জে পিনা খোঙ্গাওনবনি। লৈঙাক অসিবু লুচিংলিবা চীফ মিনিষ্টরনসু ইকায়বা ফাওফম থোকই হায়খি।

লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেসন সমন তৌবা অমদি প্রোরোগ তৌনবগী লো অসি চীফ মিনিষ্টরনা অইবা অমা সবমিট তৌরগা গভর্ণনরনা তৌগদবনি। মরম অদুনা স্পিকর অমনা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অসিগী অরোইবা সেসন ফমখ্রে হায়না য়াম্না ইরাই লায়না হায়বসি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনবু ইকায়খুম্নদবনি হায়নসু ঐঙোন্দা ফাওই। অদুগা অমুকসু ঐখোয়না নীংশিংমিন্নসি মদুদি কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ১৭৪গী মখাদা গভর্ণরনা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেসন সমন তৌবা অমদি প্রোরোগ তৌনবগী পৱারশিং অদু ময়েক শেংনা পীরি। লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অমগী অহৌবা অমদি অরোইবা সেসন লেপথোকপা ওন্নগী পৱার অমত্তা স্পিকর ৱাই খেমচান্দদা লৈতে হায়বসি বি জে পি অমদি স্পিকরনা মুন্না খঙবিনবা হায়জরি।

পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঐখোয়না অমুক্কসু নীংশিংবা য়াই মদুদি লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরশিংনা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবা থৌদাংশিংগী মনুংদা য়াম্না মরুওইবা অমা ওইরিবা রুল্স ওফ প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেস অসি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২০৮গী মখাদা ষ্টেটকী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা শেমজৈ। অসুম্না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগীসু রুলস ওফ প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেস ইন দি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি শেম্মি। হায়রিবা রুল্স ওফ প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেস অসিগী রুল নম্বর ১৭ এদা ইন এভ্রি কেলেন্দর য়রদা এসেমব্লিগী সেসন কয়া লৈগনি হায়বদু ময়েক শেংনা পীদুনা লৈরি। অসিগুম্বা মহাক্কী থৌওং অসিনা তাকপদি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরগী ওফিস অসিগী ইন্দিপেন্দেন্স অমদি ইম্পারসিএলিটি অদু ঙাকপা শুকঙম ঙমদ্রে অমসুং মণিপুরগী বি জে পিনা পার্লিয়মেন্টরি সিষ্টম ওফ দেমোক্রেসিগী তঙাইদনা ঙাক্কদবা চৎন-কাঙলোন অমদি মচৎশিং অদু মতম পুম্নমক্তা মাঙ তাকহন্নবা হোৎনরব্রা হায়বদু ঐখোয়গী থম্মোয়দা ফাওই।

করিগুম্বা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অসিগী পিরিয়দ অসি মপুংফানা চৎফম থোকপা মতম অদু চপচানা চৎলবদি আর্টিকল ১৭৪ (১)গী মখাদা সেসন অমগা অমগগী মরক্তা ইন্টরভিন তৌদুনা থা তরুক ফানা গেপ লৈহল্লোইদবনি। হায়রিবা ৱাফম অসিদা য়েংলগদি হৌখিবা ওগষ্ট ২৪দা লোয়খিবা সেসন অদুদগী পাবদা লাক্কদৌরিবা চহীগী ফেব্রুৱারী ২৩দা থা তরুক ফাই। মদুনা মরম ওইরগা ফেব্রুৱারীগী তাং ২৩গী মমাংদা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেসন অমা লৈবগী মথৌ তাগনি। অদুবু চহী লানখ্রবদি গভর্ণরগী এদ্রেস পীবগী মথৌ তাবনা চহী অসিগী দিসেম্বর থাগী মনুংদা সেসন অমদি লৈহনবনা চুমগনি। অসিগুম্বা কন্সটিট্যুসনগী প্রোভিজনশিং ঙাক্কদবা স্পিকর অমনা লোগী ওইবা ৱাফম নাথৈরগা দেমোক্রেসিগী মশক থীবা ৱাফম ফোঙদোকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবা অমনি। অসিগুম্বা থৌওংদা পুক্লিং থৌগৎতুনা স্পিকর অমবু পোলিটিকেল পার্টি অমগী প্রোগ্রাম য়াওহনবা অসিগী থৌওংনা তাকলিবসি বি জে পি অসিদি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনবু ইকায় খুম্নদবা পার্টি অমনি হায়রোইদবগী মরম শুক্লে লৈতে। পার্লিয়মেন্টরি সিষ্টম ওফ দেমোক্রেসিবু চেৎনা থাজজবা মীশক অমা ওইনা হায়রিবা স্পিকরগী ওফিসকী লেমজবা অদু মওং মরিল তাদনা লৈখা তানা চিংথবা য়াবা থৌওং অসিদা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরনা করম্না পুক্লিং থৌগৎলিবনো হায়বা ৱাফম অসি থমনিংই। মরম অদুনা স্পিকর অমদি দেপ্যুটি স্পিকরগী পোষ্ট পায়বিরিবশিংনা মতম পুম্নমক্তা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনবু চেৎনা থাজদুনা পার্লিয়মেন্টরি সিষ্টম ওফ দেমোক্রেসিগী ফজবা মচৎশিংবু ঙাক্তুনা থল্লগা রাজনিতি তৌহন্নিংই হায়নসু মহাক্না পাউগী মীফম অদুদা আপিল তৌখি।

ভেক্সিনেসনগী চাং চাদা ৯০...

*লামায় ১গী মখা...*অনীশুবা দোজগী হীদাকশিং কাপথোক্তবা তারগদি মহৈরোয়শিংদসু লায়না অসিনা নাহল্লকপা য়াই। অমরোমদা পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবা গাড়ীশিংসু মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লব্রা হায়বগী মতাংদা অকনবা মওংদা চেক তৌরি। মসিদা নত্তনা দুকান ফল্লিবা মীওইশিংগী মরক্তসু হীদাক কাপথোক্তবা য়াওব্রা য়েংশিল্লি। করিগুম্বা য়াওরল্লগানা হীদাক কাপথোকহল্লি। মরম অসিনা ঐখোয় পুম্নমক লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক মীপূম তিংনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা হোৎনসি হায়খি।

স্কুল, কোলেজশিংদা মশাগী চহী ১৮গী মথক্তা লৈরবা মহৈরোয় অমদি ষ্টাফশিং পুথোক পুশিন তৌরিবা ভেন অমদি বস দ্রাইভরশিং তঙাইফদনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্কদবনি। মসিগীদমক মহৈরোয়শিংগী লূপশিংগা উন্দুনা ভেক্সিনেসন পাঙথোক্লবগী খন্নবা হৌরে। ওক্টোবর থাদগীদি মহৈরোয়শিংসু শোয়দনা কোভিদ ভেক্সিন মপূং ফানা কাপথোক্লবা হোৎনরগনি।

অমরোমদা অঙাংশিংবু মশা-মউ ফন্না অমদি লায়না-তীলনা লৈহন্দনা থম্নবগীদমক দি ৱোর্মিং টেব্লেট অসি পীজসি। মরু ওইনা অঙাংশিংদা তীলনা মরম ওইদুনা মখোয়গী মশাশিং শোন্থহনবা, চানীং-থকনীংবা ফাওহন্দবা, ওনীংবা, কোক ঙাওবা অমদি মখোঙ হান্থনচিংবগী লায়ওং কয়া মায়োক্লহল্লকই। অদুবু পুম্নমকসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ঐখোয়না দি ৱোর্মিংগী হীদাকশিং তঙাইফদনা অঙাংশিংদা পীজগদবনি হায়খি।

দিরেক্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী ওইনা চহী অমদা অঙাং ক্রোর ২০ হেন্না তীলনা মরম ওইদুনা মখোয়গী মশাশিং শোন্থহল্লি। দি ৱোর্মিংগী হীদাক পীজনবগীদমক হেল্থ দিপার্টমেন্ট, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট, সোসল ৱেলফেয়রগী অঙ্গনৱাদিগী ৱার্কর অমদি হেল্পরশিং, পি ঐচ ঈ দিগী সেনিটেসনগী ষ্টাফশিংগা লোয়ননা খূৎশম্নদুনা চৎলি।

অঙাংশিংদা নাহল্লিবা তীলগী লায়না অসি তীল মখল অহুমনা থোকহনবনি। তীল মখলশিং অদুগী মনুংদা রাওন্দ ৱর্ম, পিক ৱর্ম অমসুং হুক ৱর্মনি। মরম অসিনা অঙাংশিংবু তীল মখল অহুম অসিনা মখোয়গী হকচাংশিং শোকহল্লক্তনবগীদমক অদুগা তীলশিং অসিনা নাহল্লক্কদবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক মখোয়গী মখূৎ-মশা শেংনা হামদোকপা, কৈথেলদগী লৈরকপা মনা-মশিং, হৈ-রা অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং নীংথিজনা চামথোক্লবা মতুংদা পীজবা অমদি অঙাংশিংবু তঙাইফদনা খোঙউপ তোংহনবীগদবনি। হৌজিক অঙাংশিংদা দি ৱোর্মিংগীদমক পীজরিবা হীদাক অসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা এপ্রুভ তৌরবা হীদাকশিংনি। মরম অদুনা পিল্লিবা অঙাংশিংবু নাদ-য়েক্তনা অমসুং মশা-মউ ফন্না থম্নবগীদমক মমা-মপা ওইবশিংনা মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌগদবনি হায়খি।